থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# মথোঙ মরম খঙদবা শৈরেং মানবা পাউদম অমা



ঈশিং থন্না হাপ্পবা পুরুরিবা পাত্রদো, সনাবুনবু ওইগেরা মখয়াৎ লাওবা বালতিনদুবু ওইগেরা... ঈশিং থন্না শোক্লবা ঈপাক্তুদা নোন্থবা তৌদ-যাদ্রবা অমনি। পুন্সিসিবু করিগী ঈপাক্কা পান্দম্লরল্লিবা ৱাখল লৈবা কনানা? মরম অসি লৈবননি। পুন্সি পান্দম ফংনবা, নীংজবদু থুংনবা ঈকোক অসি নোনবা তায় পুন্সিসিগী মফমদা। পুন্সিদা নোল্লুকখিবা মহাক্কী পুন্সি পাত্র অদুনি ঈরীক থন্না য়াওখিবা। অতোপ্পগী পুন্সিগী য়াইফনবা তৌখিবা, মহাক্তুগী পুন্সিতনি হেন্না য়াইফবা ওইখিবা। অতোপ্পা কনাবু থৌজাল মীৎয়েং য়েংখিবা, মহাক্তুগী মিংতনি নীংশিংলিবা তাইবংনা। অথনবা শেঙ্গাওনা শক্তাক্লকই তাইবঙবু, অহাঙবা শেঙ্গাওনদি শকখঙহল্লি মীওইবা। ইশাগী ফুরিৎখাও থন্নবা শেল তানবা হৈরবতদা খঙলকই, ইশাগী নীংজবা কয়া থুংখিবদি ইমা-ইপাগী মরলননি। ইশানা তানবা ইরলনা ফংহনবদি তঙাইফদব'দুতনি। থৱায় য়াওদবা হকচাংনা ঈশিং ঈপাক্তা তাউখৎলক্লবা মতমদুদতা খঙলকই মীওইবনা অরূম্বা হায়বদুদি হকচাংসিগী ওইরমদে, হোল্লল্লিবা নিংশা শ্বরদুগী ওইরম্মী।

কোক নোন্দুনা লাইশোন শোনবা, নামাজ পাবনা ঈশ্বরগী খুয়া, অল্লাহগী মনাক য়ৌঙমদে, থম্মোয় অসি কৎপা তাই 'ইবাদত' কিদমক। তাইবঙসিদা লাক্লগা, তাইবঙপানবা উরগা, খল্লুই ঐসে অশিংবনি তাইবঙসিবু হোংহনগে। পুন্সিসিবু উরগা, পুন্সিসিবু খঙলগা ঙসিতমক খঙলকই হোংগদবদি ইশানি। অদুনা হোৎনরি ঐ হৌজিক ইশামকপু হোংহন্নবা। মোন্দুম-মোন্তেক মরক্তা নুংঙাই-য়াইফগা য়াওনমিন্নরুরগা, য়াহৌরকপদা খোঙয়াদুনা নেৎলম্মু মালেমদা অমুক্তং মীকুপ অমত্তং নীংশিংসি- হৌরকফমসু মসিনি, ইতিনফমসু মদুনি।

হিংবগী অশেংবা মহাওদি তমসি ঐখোয় ঈপাক্তগী, ইশাগী ঈথক ইপোমগা চেৎনা শাগোন্নদুনা ঈংনা চিক্না লেনজবা। নুংশিবা পাল্লবা কনাগুম্বদগী, কখোকপা কৌবা নরলদুনা পীথোকপা তমসি মঙোন্দা। থাজবা পাল্লবা কনাগুম্বনা থম্মোয় অদু পীবা তাই। লেনমিন্নবা পাল্লবা কনাগুম্বগা, পীবা তাই মমল লৈতবা তাঙলবা মতম। থম্মোয় অনীগী মরীবু, লেম্না ফংবা হৌনবরা? থাজবীয়ু থম্মোয় পাউদম পারিবা থম্মোয় পানবা পূম্নমক - ইশা খঙদা হোল্লিবা নিংশা শ্বর অসিমকসু লেম্না ফংবা নত্তে মপান নাইদ্র' তাইবঙসিদগী। থনুঙ য়ৌনা হোনজিল্লিবা নিংশা'দো, অদুগা মান্নবা চাং অমা মালঙদুদা থাদোক্তনা হোনবা ঙম্ব্রা য়েংবীয়ু। তাইবঙসিদা লাক্লিবা-থৌদাং অমা পুরগনি, থৌরৈতনা লাকপা নত্তে। করিগুম্বা খরা তৌদনা লেম্না ফংবা পোৎ অমত্তা লৈতে মালেম অসিদা।

মীৎয়েং অমদি লাইবক-অনীসিগী মরক্তা লৈনৈ ওন্থোকপা মরী অমা। লাইবক্তা তমদবা পোৎশক অদুতবু মিতারুই মীওইবগী মীৎয়েংনা। লাইবক্কী ময়িদা ইরল্লিবা অদুদি নোংমতসু লাক্তে মীৎয়েং পোইরৈ অসিদা।

তাইবঙসিদা উদ্র'সু নোংমা লাকই ইনাক্তা, তূল্লিঙৈদা অহিং অমা - পূম্নমকপু শেন্থীবা তাইবঙ মপু মহাক্তো। নঙোন্দা নিবা পোৎশক'মত্তা পীরকখিদে নঙনা কৈদৌঙৈদা ঐঙোন্দা, করি কান্নৈ হায়বীয়ু নঙবু নীংজরুবগী? মোমোন নোক্লা খুল্লম্মি- নিজবা পোত্তি হায়রুনু নঙনা নরাল লঙশিল্লুবই নরাল অদু ফাওবদা পীদে ঐদি খুদক্তা।

হায়নৈ মফম পূম্বদা মীওইবগী লাইবক্তি ইথোক্তুনা থম্মী নোংদম্বনা। ৱাফমসিনা করিগুম্বা অচুম্ব'মক্তা ওইরম্লবা, হোৎনজমল হায়ব'মা করিগী শেন্নি মীওইবনা? কনানা খঙবা হোৎনবা কনবা মহাকখক্তদা হোৎনজমল পীনি হায়দুনা নোংদম্বনা ইরম্বসু।

পৈশা (শেল) হায়বা পোৎসিনা মরোল থোকপা ওইরম্লবা, মহাক্লা হায়রল্লমগদবা ৱা'দুগা মীওইবগী ৱাখলগা কয়াদা তায়োন্নরিবা! মীওইবনা হায়... ঈখূত্তা পৈশা লৈরবা, ঐনা তৌরমগদবা থবকশিং অঙকপা অমা ওইরম্মি! অদুগা পৈশানা অমুক হায়রক্কনি ... নঙ হান্না করিগুম্বা খরা তৌরকউ, নতিক-নঙম উৎথোকউ, ঐ লাক্কে ননাক্তা। অৱাবদি অনীসিগী মরক্তা পাউ ফাওনদবা অসিনি।

অদুগা, হায়নৈ ৱাফমসিমসু - মীওইবগী ৱাহৈদি মীওইবগী মখা পোনবনি। অদুবু, চীনবান ৱাংমা লানখ্রবা - ৱাহৈগী মনাই ওইরকই মীওইবা! অদুনা হায়নরল্লিবনি - মীনা শিবনা চিন্দা, শানা শিবনা খোঙ্গুলদা।

ঈপাক অমা লানবদা অরূম্বা পোৎলুম পুরবা ঈপাক্তুদা লূপ্পগুম, কল্লক-খন্থন নাপনগী লূম্ল' নম্বো পোরিবা মহাক্তো, শোয়দ্রবনি লূপখিবা পুন্সি ঈপাক অসিদা । পুন্সি হায়বা অসিদি খোঙথাং খুদিং খুদিনি, অশোক অপন নংবদি শোয়দ্রবনি লোইবফাও, মতম মহাকখক্তনি অশোকপবু তাইশিনহনবা হীদাক্তি। অশিবগী মমাঙদা নোংমদি শোয়দনা মায়থীরগদবা পুন্সিনি, হিংবা তমসি পুন্সিদগী। নুংশিবা অমা কায়নবা, পাম্মুবা অমা মাঙখিবা - পুন্সিসিগা শাগোন্নরিঙৈ নোংমা শোয়দনা থেংনরগদবা মীৎকূপনি। মীৎকূপ অদুগা মায়োক্লবা ঙম্নবা লাইশোন মশক ওইরবা ৱাহৈ পরেং অনীদং পাউদমসিগী পোলোইদা নীংশিংজগে কাউবীনু... 'মাঙখ্রবা পোৎ অমইদমক ৱারুগনু থম্মোয়দা, ঙসি ফংলিবা অদুসু নোংমা শোয়দা মাঙখিগনি ... নঙগী ওইবা ফংখিদবা পোৎশক্তো মঙদা ফংবা মনিনি, নঙগী ওইনা ননাক্তুদা লৈরিবা, মাবু হেনবা লৈতবনি...'।

চোইরোনগুম্বা পাউদমনি থম্মোয়সিদই থোকখিবা। থম্মোয়দুদা পানগদ্রা? নাম্থোক্তুনা চৎখিদ্রা? চিংনবদুমদি লৈহৌরি, তমথোকখ্রবা তুংসিদা।

লৌশিং পুক্কে

# মীওইবদা চাউনা খুদোংথীবা মায়োক্লহল্লিবা 'শারৈ হৌবা'




শারৈ হৌবা হায়বসি সেন্ট্রেল নরভস সিষ্টেমদা শোক্লকপা ন্যুরোলোজিকল দিসওর্দর মখল অমনি। অনাবা অসি হৌরকপা মতমদা মীৎ-না ওনখৎলকপা, হকচাং নীকপা অমদি চপ তিংথোরকপা অমসুং লৈ চীকশিনবনচিংবা থৌওংশিং হেক-হেক থেংনৈ।

অয়াম্বা মতমদা করিদগী কমদৌনা ওইরক্লিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদবা তারবসু কনাগুম্বা খরদদি ব্রেনদা শোকপা-পনবা য়াওখিবা, ষ্ট্রোক, ব্রেন কেন্সর নৎত্রগনা য়ু অমদি দ্রগ শেরান্ননা শীজিন্নবদগী ওইহল্লকপনি। মরম অমা নৎত্রগনা অমনা ব্রেনদা য়াওবা কোর্টিকল নর্ভ সেল মথৌ হেন্না তৌহল্লকপা নৎত্রগনা মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা মথৌ তৌহল্লকপদগী শারৈ হৌরকপনি। অদুবু মসিগা লাইওং মান্নবা অতৈ অতোপ্পা লায়না কয়ামরুম লৈবা মরম্না চপ চানা কনফর্ম তৌবা মথৌ তাই।

শারৈ হৌবা হায়বসি মপুং ওইনা লায়েংলবসু ফহনবা ঙমদে। অদুম ওইনমক শারৈ হৌরকপা মতমদা থোরকপা হকচাং নীকপা, খোঙ-খুৎ চপ তিংথোরকপা অমদি মীৎ ওনখৎলকপ-নচিংবা থৌওংশিংদি হীদাক লাংথক থারগা কন্ট্রোল তৌবা ঙম্মী। হীদাক-লাংথক্লা থোইদোক্লা কান্নবা ফংদ্রবদি সর্জরি, ন্যুরোষ্টিম্যুলেসন নৎত্রগনা চাবা-থকপগী মওং হোংদোকহল্লগা খরমখৈ লাকশিনবা ঙম্মী।

মালেমগী ওইনা অপূনবা মীশিংগী চাদা অমা (মিলিয়ন ৬৫) রোম শারৈ হৌবগী অৱাবা মায়োক্লরি। মখোয় অয়াম্বা চাউখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদগী ঙাক্তনি। চহী য়ামশিল্লকপগা ইরোয়ননা শারৈ হৌবগী অৱাবা মায়োক্লরকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংখৎলকই। অদুম ওইনমক পীক্লিবা অঙাং অমসুং ইনখৎলকপা নহারোলশিংদসু অৱাবা অসি অদুমক মায়োক্লবা য়াওই।

কনাগুম্বা অমা শারৈ হৌবগী অনাবা অসি হৌরকপা মতমদা ঙাইহাক্তি ৱাখল তাদে। ফরক্লবা মতুংদসু মিনিট ১৫ রোমদি চুম্না ৱাখল খনবা ঙমদবগা লোয়ননা করিমত্তা নীংশিংবা থোক্তে।

শারৈ হৌবগী লাইওংগা মান্নবা অতৈ অতোপ্পা লায়না কয়ামরুম লৈবা মরম্না লায়না অসিগী দাইগনোসিস অরায়বা নত্তে। হায়পরভেন্টিলেশন, মাইগ্রেন, নার্কোলেপসি, পেনিক এটেক অমদি সাইকোজেনিক নন-ইপিলেপটিক সিজরনচিংবগী লাইওংগা শারৈ হৌবগী লাইওংগা য়াম্না মান্নৈ। মরম অদুনা করিগুম্বা কান্দা হেক হেক চমন্নবা পোকই। মরক-মরক্তা নিংশা শ্বর থিংবা, তূল্লিঙৈদা ফমুংদা মপান থোকচিনবা অমসুং অমম্বদা কিগনবা মরম্না অঙাংশিংদনা অমুক্কা হেন্না চমন্নবা পোকই।

শারৈ হৌবগী কেস অয়াম্বা মাঙজৌননা ঙাকথোকপা ঙমদবা তারবসু অখন্নবা চেকশিন থৌরাং খরদি মাঙজৌননা লৌখৎহৌবা য়াই। অঙাং উনবা মতমদা য়ারিবমখৈ অঙাংগী মকোক্তা শোকপা পনবা য়াওহন্দনবা হোৎনবগা লোয়ননা পোকপদা ঙায়রিবা অঙাংশিংবু য়াম্না চেকশিন্না লোয়নগদবনি। অতোপ্পা অমনা ওকশাদা য়াওগনবা টেপৱর্ম অমদি ঈশিং-নুংশিৎনচিংবা অকোয়বদা লৈবা মহীক-মতাইদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনগদবনি। ওকশাদা য়াওবা টেপৱর্মগা মরী লৈননা সেন্ট্রেল অমেরিকাদা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎপা মতমদা শারৈ হৌবগী অনৌবা কেস চাদা ৫০ গী চাংদা হন্থরকপা থেংনখি।

শারৈ হৌবগী অনাবা অসি অয়াম্বা মতমদা নুমিৎ খুদিংগী হীদাক-লাংথক চাদুনা লায়েংবগী মথৌ তাই। ফীভম হেন্না লুশিল্লক্লবা অমসুং রিস্ক ৱাংবা মীওই কাঙলূপ্তুদি অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎতুনা চাবা-থকপগী মওং হোংদোকপগা লোয়ননা ন্যুরোষ্টিম্যুলেটর ট্রান্সপ্লান্ট তৌবা নৎত্রগনা ন্যুরোসর্জরি তৌবা মথৌ তারকপা য়াই।

কনাগুম্বা অমা শারৈ হৌবগী অনাবা হৌরকপা মতমদা অহানবা লায়েং (ফর্ষ্ট এইদ) গী শরুক ওইনা খুদক্তা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংদি মীওই অদু চেপ্পা হীপহনগদবনি। মসিনা থবোম্বীদা মহী-মনাই চঙখিগদবদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। কনাগুম্বনা মচীন-মরৈ চীকশিল্লকপা য়াওই। অদুবু মসি তৌদনবনি হায়দুনা চীন মনুংদা খুৎ থিংজিনবা নৎত্রগা টঙ্গ পিদ্রেসর ইনশিনবা তৌরোইদবনি। মসিনা মীওই অদু ওন্নিংবা ফাওহন্দুনা ওহল্লকপা য়াই। য়ারিবমখৈ মশানা মশাবু শোকহঞ্জবা য়াবা থৌরাং লৌখৎহন্দনবা হোৎনগদবনি।

শারৈ হৌবা হায়বসি নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা অদুমক লৈরক্লবা অনাবা মখল অমনি। ঙল্লিঙৈ মতমদা মসিবু লাই ওক্লবা নৎত্রগনা মমাঙগী মপোক্তা ফত্তবা থবক তৌরুবগী লাইনা পীবা চৈরাক্লি হায়না লৌনরম্মী। গ্রীকশিংনদি মসিবু লাই ফত্তবা তোংবনি হায়না থাজরম্মী।

কাইনথংদা হিপোক্রেট্সনা শারৈ হৌবা হায়বসি লাই-তীনগা মরী লৈনবা নত্তে অমসুং লায়েংদুনা ফহনবা য়াবা ব্রেনগী অনাবা মখল অমনি হায়না ফোঙদোক্তুনা মীয়ামগী অরানবা ৱাখল্লোন অদু কোকহনখি।

# এল ৱাই এস গ্রুপকী লুপা ফুদোংবা থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস): এল ৱাই এস গ্রুপ ওফ কোর্পোরেসনগী চহী ২৫ মপুং ফারকপা লুপা ফুদোংবগী থৌরম ঙসি মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা হায়খি, শেলগী কান্নবা খল্লগা থবক তৌরবদি থবক তৌনিংলোই। ইষ্টিমেট হোৎলগা থবক তৌবদা ক্বালিটি য়ৌবা ঙম্লোই। কুইনা চৎকদবা মওংদা থবক শুরবদি কান্নবা ফংগনি। ভোট লেপ্পগী ক্বালিটিফিকেসনসি শেলনা লেপ্পী। অদুবু ৱানা শেল তাল্লগা লেপ্পা ভোটতি অমত্তা ওইদ্রে। লৈঙাক্কী ইনভেষ্টমেন্টসি নীংথিনা শীজিন্নরবদি সেভ তৌবা য়াবা য়াম্না লৈ। এল ৱাই এস গ্রুপনা ঙসি চাউখৎপা ওইরক্লিবসি হেন্না হেন্না ফগৎপা ওইরসনু হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা হেল্‌থ এন্দ ফেমিলি মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, এল ৱাই এস গ্রুপ অসি মীপুম খুদিংমক্লা শৌগৎফম থোকই। পোৎলম অমা পুথোকপদা পুনশিন্নবা হোৎনবা চঙই। পুল্লবা মতমদা চাউখৎলি। লাইরিক হৈবা আই এ এস, এম পি এস ওফিসর ওইরগা ইন্টলেকচুয়েল ওইবা নত্তে। ইপা-ইপুনা থম্বীরম্বা অমদি তৌবীরম্বা কয়াদু ঐখোয়না নীংশিংবা তাই। মণিপুরগীদি ৱিসদম য়াওদে। অদুনা তুংগী ওইবা ৱাখল য়াওদ্রে। ঐখোয় মশেল পুনশিন্নদুনা হোৎনবা চঙই। অফবশিংদি পুনশিন্দুনা য়াফম থোকই। ইনোভেটিভ ওইবা পুথোক্লবা হোৎনসি। অহল-লমনশিংনা থম্বীরম্বশিং য়োকখৎসি, পাম্বীশিং থাসি। ঐখোয় মতম মাঙহনগুমসি। করপসন হায়বসি ইমুংগী মচা অনী পোকপদা অমনা খরা হেন্না নুংশিবা লৈরিবনি। হেল্‌থ সেক্তরদা চঙশিল্লকপা মতমদা হায়বীরকউ। থবক তৌবা মতমদা অফবদা অনম কনসি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা সোসল সাইন্টিষ্ট ডা. ধনবির লাইশ্রমনা হায়খি, হৌজিক্তি চাউখৎলবা মতম ওইবা মরম্না থবক থিবগী মহুৎতা থবক পীবরোমদা চঙশিনগদবনি। স্কুল মফম মরাং খঙদনা লিংখৎপগী মহুৎতা কম্পেনি ময়াম লিংখৎহৌগদবনি। মসিনা মপান্দগী লাকপা ময়াম থিংগদবনি। খুন্নাইগী ফৎতবা মীৎয়েং লৈরম্বশিং অনৌবা মীৎয়েংদা হোংদোকপা চঙই। শক উদবা নুংশিৎতা পুরকপা অহোংবা কয়া লাক্লিবা অসিদা খঙবা চঙই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এল ৱাই এস গ্রুপকী মেনেজিং দিরেক্টর লাইশ্রম চন্দ্রকুমারনা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা হায়খি, মীতৈগী মঙাং, লুৱাং, খুমন হায়বা ৱাখল্লোন্দা পান্দম থমদুনা হোৎনবনি। মরুওইনা মশানা মশাবু থবক পীজবা হায়বসিদা হোৎনরকপনি। লোক্তাক ভিয়ু পার্ক হায়না কুমজা ২০২০ দা হাংদোক্লগনি। মসিনা লম কোয়বা লাকপশিং পোত্থাফম ওইনবা হোৎনবনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

থৌরমদুদা এল ৱাই এস গ্রুপ ওফ কোর্পোরেসনগী চ্যেরমেন লাইশ্রম য়াইমনা প্রসিদেন্ট, এম এল এ সুভাচন্দ্র, রিটয়ার্দ দিন ডা. এস লোকেন্দ্রজিৎ অমদি গেষ্ট প্রোফেসর দব্লিয়ু নবকুমারনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

# লাই খুরুম্বা লাকপশিং থিংবীগনু : কম্মিটি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস): কাইনা লাইবুংদা লাই খুরুম্বা লাকপশিং থিংবীগনু, মীয়ামগী রাইট মাঙহনবীগনু হায়না পাঙন্থম শাগৈ সেবা কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট পাঙন্থম তোম্বনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লাইফমদা লাই খুরুম্বা থিংবা য়াদে হায়বা ওর্দর লৈরিবনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী টুরিজম প্রোজেক্ট মখাদা মণিপুর লৈঙাক্লা লাইফম অসিবু শেমগৎ-শাগৎলকপদা শাগৈ অসিগী সেবা কম্মিটিনা অঙম্বা থাক্তা সপোর্ট পীদুনা লাক্লি। মখা তানা পীগনি। মণিপুর মীয়াম্না লাইফম অসি হেন্না ফজহন্নবগী পাউতাক পীরকপা সেবা কম্মিটিনা তরাম্না লৌদুনা লাক্লি। মমল য়াল্লবা পাউতাক কয়া পীরক্লবসু মীয়ামদা থল্লি। মীপুম খুদিংমক্লা খুরুম্বা য়াগনি। তর্পন তৎপা য়াগনি। কাইনাগী লাইফমদা হৌবা পাঙন্থমগী থৈবোংদগী লাই তরেৎ শাদুনা তোঙান তোঙানবা কাঙলুপকী মচা-মনাইশিংনা সেবা চৎতুনা লৈনরি। কাইনা লাইফমবু মশক থিহন্নবা নাকোয়ননা লাই খুরুম্বা লাকপশিং হন্না হন্না থিংবীরনু হায়নসু পাঙন্থম সেবা কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট পাঙন্থম তোম্বনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারি হায়রি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৩।০৯।২০১৯ ইং, ইরাই, অয়ুক পুং ৭.৩৫ ফাওবা লাংবনগী ১৪ নি পানবা, মতুং থানিল চংলনি।

মেষ : অয়েৎপা খরা লৈরসু অমদি তৌফম খঙদবা খরা লৈরসু পাউ নুংঙাইবা তাগনি, মরুপ-মপাং ফংগনি, লল্লোনবদা শেন্দোং চাউনা ফংগনি, লাইবক ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ : তৌগদবা অফবা থবক্তা শেল থাদরিমতিক কান্নবা তুংদা লাক্কনি। লৌথোক চাথোকনিংবা খরদি থেংনগনি অদুনা অরোনবদি হায়দোক্কনু। থেংলপ্পা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন : থৌনা ফুদোকপা য়াগনি অমদি নক্লবা মীশিং লোয়নবা য়াম্না কান্নগনি। চিংনগনু শোইদনা মীকোক থোংবা ঙমগনি। অদুবু অঙম্বনা নরল মৎপিবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী - পংশিন্নবা ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কর্কট : মতম খরা চংলসু শোইদনা কান্নবা লাক্কনি-ঙাইঙমদবা তৌগনু। অফবা মফম ফংগনি, ঙাঙথোকপদা রাশি য়াওগনি। নকন্থিনদি নরল মাঙহনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হায়জবা তাবিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

সিংহ :খ্বাইদগী হেন্না নীংবা থুংবা ঙসিসু লৈগনি, লল্লোন ইতিক্তা খুৎচাউ থাবা য়াগনি অমদি নচাক-নরল চাওখৎপা লৈগনি। লম চৎপসু য়াম্না কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কন্যা : নীংজবা থুংগনি, পন্দুনা লৈরুবা শেল-থুম ফংবগী নুংঙাইবা লৈগনি অমদি মীয়াম্না চানগনি। মরম চাদনা ইচং থৌরদি চাদিংদি হেনগনি, অনম কনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

তুলা : ইমুং-মনুং পুন্না পাংমীন্নবা থবক্তা কান্নবা ফংগনি, অঙম্বনা চানগনি। ওইজ-ওইথক তানবদা থৌনা ফুদোকপা য়াগনি । হেনজিন্না অশা চাউবদি য়ারোই।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

বৃশ্চিক : তুংগী পোরম য়াৎপা য়াগনি, পন্দুনা লৈখিবা শেল-থুম ফংনবা হোৎনবা য়াগনি অমদি ঙাঙবা শকপদা ইকাই খুম্নবা ফংগনি। থাজদনা নক্লবনদি য়েংশিল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী - খাংবা কল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

ধনু : মায় পাকপা ফংগদবা নুমিৎনি। পন্দুনা লৈরুবা থবক পাংবা য়াবা মতম লাক্লে। ইমুং-মনুং লোয়ননা চৎপনা হেন্না ফগনি অমদি অরং-অরাক লৌবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মকর : শাওনবা অমদি অঙম তানবা য়াদবা নুমিৎনি। হোয়া ফরসু নরলদা তাইনগনি। য়ারিমখৈ অরুবা থবক য়েথোকপা অমদি নোল্লুক্লা চৎপা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - তুংগী খল্লগা পূক্লিং ফাথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

কুম্বা : নুংঙাইবা, হরাওবা অমদি মীচং হেনগৎপা নুমিৎনি। ঙাঙবদা মীনা তানিংগনি, য়েৎনবা লৈররসু ঙমদুনা কান্নবা ফংগনি। নচা ননাই চাওঙৎপা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মিন : খাংবা অমদি থিবা হুম্বা কনবনা থবক পাংগনি অমদি শেল-থুম ফংবা হেনগনি। মীনা ইকাই খুম্নবীবা অমদি মীচং হেনগৎপা নুমিৎনি। চরাংনরদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# 'অনটাইটল'

## থৱান





*Thawan is a poet and musician from Imphal.*